# নুপী লোনবগী চৎনবী অমসুং ঈ মশেল কল্লক কঞ্জাওনবা - লাই হাক্তক্তসু, মী হাক্তক্তসু

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

***লোক অমদা কৈ অনী কূনবা*** - অহল লমনশিংনা তত্তনা পনবীরম্বা ৱাফম্নি। নুপী লোনবগী ইমুংদা কয়ামুক য়াম্না চরাঙ খোয়রাংনবগে অমদি কল্লক য়েংথীনবগী নোংলৈ নুংশিৎনা উরু-উরু লৈশিল্লগা শীত্তুনা লৈবগে হায়বদু তাকপনি। নুপী লোনবদা শৌগৎনীংবা কাঙবু ওইরমদৌ মাল্লি, কনাগুম্বা খরনা অসুম্না হায়বসু য়াওই - ***যঙ্গোন অমদা ষণ অনী কূনবা য়াই।*** হায়জবৈ ৱানি, মতাংসিদদি তাইবঙ মীওইপোক্তা পোক্লুরবশিংদি ষণগী মচৎ মওং তমজৌ হায়বা য়ানীংদবা মাল্লি। কৈগী শক্তম লৌবনা অয়াম্বা ওইগল্লি। মতম অয়াম্বদা ঙ্গুং-ঙ্গুং ঙংনদুনা ইমুং মহী লাঙহল্লি। মখোয় মশেলদি থম্বু থমখো, মচা-মশু ফাওবা কৈ মীৎয়েং য়েংনৈ হায়বসি পঙহায় হায়জিনবা নত্তে। পূকচেল পীকই, পেন্থোকপা ঙমদে হায়রুবকা য়াবা নত্তে। মসি তাইবঙ মীওইবখক্তগী ৱা ঙাক নত্তে, চীংঙু লাইশিংগী মরক্তসু নুপী লোনবা মতাংদা উংখৎনবসি অদুম থোকই হায়বগা মরী লৈনবা থাজ ৱারী লৈ।

নূঙবু থুম তূপ্পগুম মতূপ্পা, তেৎনৌ য়োৎপু চগেম শায়বগুম মশায়বা লৈনুং মোরি য়োৎশুংবা খুনুং তেক তেক তেক থাঙশাবা থৌদু নূঙকায়বা য়োৎশুং-য়োৎশাগী শিন্তাকপা লাইনিংথৌ খম্লাংবগী তালোয় অনীনি। অহানবদা ইবেনধৌ লাইরেম্মা হুইমু লৈমা পান্নদুনা মপারী অমুদোন নোংয়াই ফংজখি। মতম খরা লৈরগা মরোয় মনাইশিংগা লোয়ননা তখেল লৈবাক্তা য়োৎচাক থিবা চৎখি। য়োৎচাক ফংদ্রবসু ঈরৈবাক মণিপুরদা হল্লকখিদে মরমদি মীরমদুদা তালোয় অতোম্বী শিজ কালিকাগা য়ূম্বানমিন্নদুনা ময়ূম মকৈ, ইমুং-মনুংগী মরমদা করিসু নীংশিংদবা মানবমখৈ লৈথোকখ্রে। মপুরোয়বনা হল্লকপা কৌবা নাইদ্রবদুদা হুইমুলৈমসু য়াম্না ৱানা মপুরোইবগী খোঙ্গুল লীবা চৎখি। মপুরোইবতবু উনজবা ফংলবদি হায়বগী লীচিংনা কনখিবনা চীং-পাৎ, তুরেল, লোক-তায়নচিংবা খুদোং থীরবা মফম কয়া লান্দুনা চৎখি। কাইনথংদা তখেল লমদম য়ৌখি। মফম অদুদা ইবেনধৌ শীজ কালিকাগা পানমিন্নদুনা লৈখি। অসুম্না লৈরিঙৈদা ইবেনধৌ হুইমুলৈমসু ইবুধৌগী খোঙ্গুল লীরক্তুনা তখেল লমদম য়ৌশিনখিরম্মী।

মমৈথংদা ইবেনধৌ অনীমক্না মখোয় অনীমক লাইনিংথৌগী তালোয়নি হায়বসি খঙলম্মী। মদুনা মরম ওইরগা উংখৎনবা থৌদোক মচা অমা থোক্লবা মতুংদা লাইরেম্মা হুইমুলৈমদি থম্মোয় কায়না মণিপুরদা হল্লকখি। মতম খরা লৈরগা লাইনিংথৌ খম্লাংবসু মণিপুরদা হল্লকখি। উরিপোক, থৌবালনচিংবদা লৈরম্লবা মতুংদা ককচীংগী কেরেচীংদা লৈরিঙৈদা থৌবালদা লম কোয়বা চৎখিরম্মী। মফম অদুদা মশানৌ অহল হুমুলৈমগা নুমিৎ মঙানি লৈমিন্নরম্মী। মদুদসু শিজ কালিকানা মাগী খোঙ্গুল লীরকপদা খঙদোকখ্রে। অশাউ খাম্বী মৈহৌননা চৎখ্রগা ৱাইরিদা লৈথোকখিদুনা লাইনিংথৌবু শেৎন-খাইনবগী মৈশা লাংহনখি। কাইনথংদা হঞ্জিন্নরবসু লাইরেম্মগী থম্মোয় পেখোরক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অসুম্না লাইরেম্মা ওইরবসু নুপী লোনবা লাইনিংথৌগী তালোয় ওইরুবশিংসু পুকচেল চাওথোকপা ঙম্নদে, উংখৎনবা খরদি অদুম মরৈবজাৎনি। থাজ ৱারী ওইরবসু নুপী লোনবগী ৱাথোকসিদি লীৎথোকপা য়াবা নত্তে হায়বদু তাকপনি।

কনাগুম্বনদি হায়রকপা য়াই মদুদি - ***থায়না নিংথৌশিংনা নুপী পঙলোন্দা লোল্লিদুদি কমদৌবা?*** অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনা আ য়ৌনা খঞ্জিল্লুদে মদুদি নিংথৌশিংগী লৈমা অমখক্তমক ওইরম্লবদি মমা তিন্নদবা নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা অমনা অমবু নমথেক্লবা থরুম তৌনবা উংখৎনবনা মরম ওইরগা লাঞ্জাউ থোকখিবগী পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদু লৈরমদবা য়াই। অদুঙৈ মৈদিংঙু থৱানথাবনা পাল্লিঙৈ মতমদা থোকখিবনি হায়বা অকি তুজুংলবা ৱারী অমসু থম্বীরম্মী। মৈদিংঙুগী লৈমশিংগী মরক্তা য়োইবু ফমথোন কাবী অমদি য়োইহে ফমথোন কাদবীশিংগী কল্লক-খম্বন্নবগী ৱারীনি। ইনৌ নৌনা লৈমশীংদা চনখিবী খুমন চনু শম্ফাবীবু নিংথৌনা লুনা তৌবা লোয়ননা য়োইবু ফমথোন কাহনখিবদা য়োইহে লৈমা মরক্তা কল্লক মিহৌবা পোক্লখি। লৌতুনবগী খুজিল থৌরাংদা খুমন চনু শম্ফাবীগা মৈদিংঙু মনাউইবুংঙো তৌগাইঙম্বগা অরোনবা মরী লৈনবরা হায়না মৈদিংঙুগী পূক্লিংদা চিংনবা পোকহনখি। মদুনা মরম ওইরগা খুমন চনুগী লৱাই লেম্ফুদা তরেংয়োৎ য়ৈশিন্দুনা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা খুমন নিংথৌনা মৈদিংঙু মজাইবেম্মা চীংখৈ লনউনথানবীবুসু চপ মান্নবা চৈরাক পীখি। মদুগী মতুং তারকপদা খুমন-কংলৈ অনীগী মরক্তা থোকখিবা অকনবা লাননি।

কয়াদা শাথীখ্রবনো নুপী লোনবসে!

থাজ ৱারী অমসু লৈ - মপুরোইবা কল্লক খম্বন ৱারমদগী পূন্সি পিখম্নখিবগী মতাংনি। মোইরাং খাবা হুইথৌবগী তালোয় অনীনি- অহলনা লৈয়েংহনবী অমসুং অতোম্বীনা লৈখুহনবীনি। নোংমা খাবা হুইথৌবনা পাল্লৌদা চৎখ্রিঙৈদা মাগী য়াথং মতুংইন্না তালোয় অনীনা লৌবুক্তা লৌ তাবা চৎলম্মী। লৈয়েংহনবীনা লৌ য়ানবা হৌখ্রে। মতম অদুদা লৌবুক মচি অমদা হাওরৈ লৈরাংনা ঙাংশং ঙাংনা শাৎপদু উরুবদা লৈয়েংখুবীগী পূক্লিংনা খোয়দারম্মী। লৈরাং অদুবু হেক্লগা নাপদা চিনবদু অদুক্কী মতিক পকচবগা লোয়ননা চঙখোনবী মায়থোংগী মথোয় হাপকৎলম্মী। মদুনা লৈয়েংহনবগী থম্মোয়দু কল্লক খম্বনবনা লাঙ্গৌই চল্লম্মী। তাঞ্জা অদুদা খাবা হুইথৌবসু পাল্লৌদগী লৌবুক্তা লাক্লম্মী। মপুরোইবা হল্লকপগা লৈয়েংহনবীনা অসুম্না পাউদম্লম্মী-

***... য়েংবীয়ু ইশাবী অথৌবা! ইনাউ লৈয়েংখুবীগী নাপদা চিল্লিবা লৈরাংসে। ইশাবীনা লৈত্রিঙৈ তাঞ্জাদা লম্লানবা পাখংনা মেলৌ খুদোল তম্লকপা লৈরাংনি।***

তালোয় অহলগী ৱাফমদু অচুম চুমদা থিগত্তনা অশেংবনি খনখ্রে। লমচত্তা অমকপা লৈরবীনি খন্দুনা মশামক্কী তেন্না মশানৌ অতোম্বীগী য়াইবী থৱায় লৌখি। অদুবু কাইনথংদা অশেংবদু খঙলক্তুনা নীংঙমদবগা লোয়ননা থম্মোয় শোক্লা তেংথাখি। মণিপুরবু বৃটিশ লোইলম মখাদা থমখিবা এঙলো-মণিপুর ৱার ১৮৯১ হৌরকফম মরু মমা তিন্নদবা নিংথৌ মচাশিংগী মূক্লবনা ওইফম থোক্তবরা? ***চফূ কায়রগা ক্বাক্না হৱাউই*** হায়বদুমক থোকখিবনি। মীচম্না নুপী লোনবা ইমুং মহী লাঙহন্নবা মরূ হুল্লি। লৈঙাকপশিংনা লৈমা মশীং য়াম্না থম্বা লৈঙাক্লোনগী পোথী ওইরম্বা য়াই অদুবু লৈবাক কাং-খোং চাইননবা লম্বী য়াৎলি। থাঙ্গৈশেংনা হায়রবদা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদদি নুপী লোনবসে কয়া ফজনা ঙাঙনদে। অরোন-অফোং মখল মথেলগী লাঞ্জাও লান মচা য়াম্না থোক্কল্লি। মসি ঐখোয়খক্কী নত্তে, চাওখৎলে হায়রিবা নোংচুপকী লৈবাকশিংদসু অচোম্পা মচৎ ওইনা লৌনবজাৎনি। খুদম হায়ববু য়ু এস এ প্রসিদেন্ট অমগী হাক্তক্তা হ্বাইট হাউস ইন্টর্ন অমগা অরোনবা মরী লৈনৈ লৈনদে হায়বগী মতাংদা মালেম শেগাক কায়বা ৱাথোক লৈখ্রিবনি। অদুনা লোক অমদা কৈ অমদগী হেন্না কূনবীদবনা ফৈ, অঙম অঙম চিকখায়নবদু য়েংহৈদে, তাহৈদে।? ●

# ভোট লেপ্লিংবসু য়াওরিব্রা

**- নবকুমার ওইনা -**

ভোট অমা তৌরগনি হায়নরিবসি চুম্লব্রা, থাজখিদ্রেদা। হান্না তৌখিবা অদুগুম্না অমদুম তৌগদৌরিব্রা? চীংদা থেংনরকপদুদি খুল মঙাগী মী অহুম্না লোইনা থাদরম্বা য়াওরিবনি। অদুসু ভোটনি অদুম হায়খি। মখোয়দা লাল্লি হায়বা য়াদে, মদুম্না শেন্লিবা লৈবাক্তু ওইনা থাজরক্তবগী ৱাতনি। মালেমসিবু অদুম্না অদুম চৎনব্রা হায়বা।

ভোট লেপ্পশিংনা ঙাঙবসি থাজবা য়াম্না ৱায়নে, চুম্বসু য়াওইদি হায়ববু লানবনা য়াম্মী হায়নৈ। পেসিমিসনি হায়গেরা, মাইনসনি হায়গেরা, নেগেটিভনি হায়গেরা, ইথা থাজবা ঙমদে। চুম্না খনখিবা ওইরবদি করিগী ময়ূমদু মৈ থানরকইবনো হায়বা। ঙাইহাক মুন্না খন্থরগা তৌদবা ওইরবদি মীয়ামসিনা হেন্না থাজদে। ঙাইহাক লৈরগা অমা হায়, খরা লৈরগা অমা তৌই, ৱাথোক ওইহল্লিবদি মীয়ামসিনা মাল্লকই। লাই খায়দোক্তরি, লৈখাই তাবা য়াখিরোই, মীয়ামসি লাই অমা য়াওরি। লাই-লিক হৈবদি ইয়াও য়াওদে হায়ববু য়ারি, ৱারেপ ইফ-ফজদরি। ভোট লেপ্লিংবা ময়াম থোক্লক্লগা মীয়ামসি পুল্লাং লাংহনবা মাল্লিবনি। ভোট লেপ্লিংবা অদুবুদি কায়দে খল্লসি, ভোটরশিংনা ঙাঙনরিবা অসিনা হেন্না কিবা অমা পোকই। লৈবাক্কী থবক তৌনীংই হায়রিসিবু কমদৌনা খঙলিবনো? লৈবাক্কী থবক হায়রিসিনা করিনো? য়ূম খরা শাবা, লম্বী খরা শেম্বা, শঙ্গাবা খরা য়াওবা, চেঙ-হৱাই খরা খক য়েনবসিনা লোইরবরা হায়বা। ভোট লেপ্পনা লৈবাক নীংবরা, নোংমৈ পায়বনা লৈবাক নীংবরা, মদুমসু লৈখাই তানদ্রিবা মাল্লিবনি। নোংমৈ পায়রগা লোৎলগা লৈবসিনা লৈবাক নীংবনি হায়রবদি মী ময়ামসি লোইনা লোৎখিবা তাবরা? খনফম খঙলক্তবগী ৱাদুনি; কিবা শাউবগী ৱাদুনা অমনি, অপঙবদি অসুম-অসুম মাল্লকইবা হায়দুনি। পঙলবদি ভোট তৌরিবসি চুমগনি হায়বসিমা শুকথা থাজদে হায়গনি। লেপফম চাদ্রবদি লেপ্পা কিবসু য়াওনরমগনি। চৌক্রি য়াম্না থুদেক্লবা তাই।

হনুবা হনুবীদা পান ফুৎলগা থাহল্লিবা য়োংয়ামসি মীদগী হেন্না শিংবনি হায়রোইদ্রা? মীয়াম্না হায়রিবদি পান ফুৎলগা য়েল্লু হায়বগা মান্নরিবনি, চেঙ য়েল্লিবসিগা মান্নরিবনি। থবক্তি কয়া শুনীংদবা, শেনয়াম পুরক্লগা য়েল্লিবসি ঙম্নবা ভোট লেপ্পরিবনি হায়রবদি লৈবাক অমা পানবা ঙমগদৌরিব্রা? য়োংগী লৈবাক ওইগদৌরিব্রা, মীগী লৈবাক ওইগদৌরিব্রা? ভোট হায়রিবসিনা মদুবু লৈখাই তাহনবদু ঙমগদৌরিব্রা? য়োংয়াম্না ভোট তৌখি হায়বসিমা তাখিদ্রিদা।

ভোট লেপ্পসি লোন য়াম্না খঙবা হায়বদি হিন্দি, ইংলিস খঙবা হায়বা অমা পন্নে। লৈবাক পঙনুং নুংশিবনসু য়ারোই, পুকচেল শেংবনসু য়ারোই, পুক ফত্তবনসু য়ারোই, শেল পায়বনসু য়ারোইদৌরি, অশিংবা শাবনসু য়াররোই। মরায়বক ফবনা কাগদৌরিবনি হায়বসি চুম্বদি মানবা, হায়জিনবা অমনি। হোৎনবা কনবনা কাগনি হায়বদি য়াই, লানগেরা-চুমগেরা হোৎনবা কনবনা কাখিবদি য়ারিবনি। ভোট কারবদি অশিংবা ওইনা লৌনরে, অশিংবা হায়বসি অচুম্বা নৎত্রগা অরানবগা মরী লৈনরক্তব্রবনি। অঙম্বনা অচুম্বা শারক্লবনি।

লৈবাক অসিদা ফূরুপ ময়াম নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি মী ময়ামসিগী খনবা অমা চঙলি। মণিপুর কৌদ্রবসু য়াগনি, মীতৈ লৈবাক কৌদ্রবসু য়াগনি হায়বসি খঙনবা চুমগনি, হোমলেন্দ হায়নরিবসি লাল্লিবনি। ইরৈবাকপু ইমা লৈবাক হায়বসিসু চুমগনি থাজরক্তে, ফদরলেন্দ হায়বসু য়াওরকপা য়ারিবনি। লাইগী মমিং থোনবা মান্না ইমা লৈবাক হায়রবদি লাই থাজবগী ৱাখল্লোন য়াওবগুম তৌরকই। লৈবাক শেন্বসি লাই য়াওদ্রবসু য়ারবনি। লাই য়াওরিবা মখৈ ৱা থোক্কদৌরিবনি। অপঙবা য়াল্লিমখৈ লাই লৈখিগনিসু হায়বা য়াওরক্লবনি, খরা পঙবা লমদা লৈঙাক্কী থবক্তা লাইগী ৱা য়াওশিনবা উনরিবনি। লাঞ্জাও থোক্লিবা ময়ামসিদা লাই য়াওবগী ৱা তারোই, লমদমসিদনা এঞ্জাং অহাওবা অমা থোংবা ফাওবা লাইদা কৎলগা চানৈ হায়বা তারে। তৌথোক্লকপদনা হুরান-চিন্থি হেক্তা মাল্লি। লৈঙাক পায়বশিংনা হুরাল্লি হায়বদি চিন্দা পঙহায় হায়নবা, ফাবদি ঙমদবা হায়বসি পঙবগী চাং অমদি খঙলিবনি। হুরানবদুদা য়াওরিবা, খঙলিবা, ওফিসিএলস, বেঙ্ক, ত্রেজরিদা লৈবশিং, একাউন্টেন্ট, পুলিস, সী আই দি পূম্নমক পঙবদগী, পাংদবদগী, কিবদগী লৈবাক অমা মাঙগদৌরিবনি। আনা-শিকি খরা ফংহৌরগা চিন ফোৎচিল্লবা মীওইশিংনা মশীং য়ামখৎলক্লবদি লৈবাক অদু মুৎলগদৌবনি, লৈবাক নুংশিবা মী লৈত্রবনি। ভোট অমা তৌবদা উরিবা ৱাথোকশিং অসিদং য়েংলগা মীয়ামদু পঙবগী চাং ওনবসু য়াগদৌরি খঙবা য়াই। চিন্দদি লৈবাক নুংশিবা মী য়াম্লে, শাজত্তদি খরা ৱাৎলিব্রা হায়বা য়ারি। মশানা লেপ্লিংদনা লেপ্পা, মীওই খরনা থৌজিল্লগা লেপ্পা মান্নবা শিনবসু য়াওরব্রা। থবক খরা চিফেৎ চিফেৎ চেন চোংলগা ভোট লেপ্পদৌরবনি হায়না খনবসু মাল্লি। ভোট অমা তৌরগা লৈবাক অমা শেন্নদৌবনি খল্লিবসি থাজরক্তবা অমা য়াওশিল্লক্লিবনি। এম এল এ লেপ্পগা কারবদি এম পি লেপ্পা য়াবগুম প্রমোসন ফংবদৌনা লৌনবসি মীয়ামসিবু করি ওইনা লৌবগীনো। মীয়াম্না নুংশিরবনি, এ সী অমনা য়ারবদি পি সী অমনসু য়ারগদৌবনি হায়বা লৈব্রা? মী-মীদা য়েংলগা পীগদ্রা, পার্টি য়েংলগা পীরিব্রা, শেলদা য়েংলগা পীগদৌরিব্রা, পঙলবদি পঙপীদা পীনৈ হায়বনবু চুমগদৌরিব্রা। ভোট নুমিত্তদি নোংমৈনা হাৎখিবশিং কাউখিবসু য়ারি। মী অনী অহুমগী মনুংদগী অমা খনবসিবু লৈবাক্কী খনবনি, লৈবাক শেম্বা য়াওরবনি খল্লু হায়রিব্রা? মীওই খরনা খূৎলোকপী শান্নবদা নূঙ মচাশিং খরদুনা কেক-কা ৱায়নদুনা শান্নবা লোইরগা অদুম লংথোক্লম্বা অদুগা মান্নগদৌরিবনি। হন্দক্তি নোংমৈ মরক্তা থাদগদৌবনি, ভোট উদবসু য়ারি। মখোয় তরাদুনা কদায়দা থাদগদৌরিবা, মিজোরামদা থাদখিবসু য়ারি। মীওই খরনদি অওইবা ওইনা লৌনগদৌরিবনি শুমাং লীলাদৌনা, মান্দা মাল্লি হায়নগদৌরিবনি।

য়াম্না থাজগন্দবগী ৱা নত্তে, থাজরিবশিংনা তৌরিবসিবু থাজবা য়ারিব্রা। অসুম্না খন্থবা ফাওবা অথিংবা থমখ্রবরা? ইশাসি ভোট য়াওগদ্রা য়াওরোইদ্রা হায়বা ফাওবা লেপ্পা ঙমজদ্রি, ইশানা ইশাবু থাজবা ঙম্লক্তে। লৈবাকসিগী খল্লগা ঐ অমনা তৌগদৌরিবসিবু হন্দক্কী ভোট অসি য়াওবনা লোইরব্রা? লাখ-লাখ দিমান্দ তৌরকপগী কোক শারিবা মীওইশিং ভোট থাদরগা ফরদরা, শেল খোমগৎলিবশিং ভোট পীবা য়াওগদ্রা, কনানা হায়বা ঙল্লিবগে? ভোট অসিবু হায়রিবশিং অসিগা মরী লৈনদ্রবরা? অদুগসু লৈবাক অমা পাল্লিবনি হায়রিবনি, মায় ঙাংবা পোক্লদ্রিবনি। লমদমসিদা তৌবা ভোট অমা ইলেক্সনগা মরী লৈনদে হায়রিসিনি। ফাগি মাল্লবসু হায়বা য়াখৎলকইবনি।

ভোট লেপ্পদি লায়রে হায়বা খঙলে, লোনা য়ারে, লীলা য়াওবনসু লেপ্পা য়ারে। লুরিবদি ভোট পীবসি ওইরম্লে। হন্দক্তি ভোট পীগদবা মীয়ামসি কনা অমত্তা চুম্না পীবা ঙম্লরোই। কপ্পদুবু তাগদ্রা, মী হাৎখিবদুবু নীংশিংগদ্রা, শেনখায় পীবগীবু খনগদ্রা, য়াওশিল্লগা খরা কান্নবা লৌহৌগদ্রা, য়ূমদা হঞ্জিনবা য়াদ্রগা ভোট পীয়ুদি হায়রিবনি। মসিমুক ঙকপা লৈত্রে, ভোট পীরবদি লোইনমকসি কোক্লদ্রা, ফরদ্রা?

ভোট হায়রিসে ভোটতা ভোটতাদা লৈরে, হন্দক্কীসি এসেমল্লিগীগা মান্নদে, চাবা-থকপা কয়া নুংঙাইতে, ৱা খন্নফম খঙদে, ৱার্কর কয়া উদ্রি। মসিদনি ভোটসি পীফম খঙলক্ত্রিবসে, নোংমা নীনি অসিদা লৈঙাক পায়বা হৈরনি হায়বসিবু হেক্তা খঙঙু সিনিনে, মমিং কয়া য়াম্না চৎলদনা মীয়ামসিনা লোইনা খঙলদৌবনি হায়বা লৈব্রা হায়বা? মীয়ামসিনা মী মশক খঙনবা হোৎনদ্রিবনা করিগী? মী মশক খঙদবশিংনা লৈবাক শেম্বা কমদৌনা য়াওগদৌরিবনো? অদুনবু ভোট হায়রিসে লৈবাকসি শেম্বগী মাল্লক্তে, মী অমা-অনী শেম্বগী মাল্লকই হায়রিবসিনি। মী অমা শেম্বগীদি লায়রে, থা অমা লৈরগা মী অমা থোক হেক্তা হাপখিনি।

হন্দক্তি শেল চংবসু হন্থরনি, য়াওশঙ তৌদ্রবনিনা শেল খায়বসু লাক্লরোই। ইমা-ইবেল পঙচোং চোংবসু কয়া উররোই। লম্বীবু পুমহাঙ হাঙলে, য়াওশঙগী মহুৎ ভোটনা শিনগদৌরিব্রা? মপান্দগী ময়াম চঙলক্লগা ভোট থাদবা য়াখ্রবদি, মপান্দগী লাকপা মীনা ভোট কারবদি মদুবু শেন্নবা ঙমদ্রবা, চুমথোকপা ঙমদ্রবদি ভোট তৌবগী কান্নবদু মখোয়গীনি, মখোয়গী লৈবাক ওইরবনি। ফীভম অসিদা অহৈবা অমত্তা থোক্লক্কনি হায়বসি থাজবা ঙম্নদ্রিবনি। মীয়াম্বুদি ভোট থাদবসি দ্যুটিনি, তৌদবা য়াদবনি হায়রি। ভোট কারবশিংদি মথৌ তৌদ্রিবা করিগীনো?

মণিপুরগী ঈরাংসি ইন্দিয়ানা খঙদে, খঙশিন্নদে, খঙশিন্নরোই। থৱায় য়াওরোই, পার্টিগীদি য়াওগনি, খুদোংচাবদু লৌগনি। থবক ওইনদি য়াওনীংদে, পাখোন শিবা য়াবা ময়াম লৈবগীনি হায়বা য়াই। অদুসু কৌরগা পাখোন শিরকইসিনি হায়না খনবদবু করিদা লাল্লি হায়গদৌরিবনো? লাল্লিবদি ভোট থাদবা য়াওরুবদগী লৈবাক অমদি মাঙখ্রবনি, ভোট তৌরগা লৈবাক শেম্মী হায়বসি ময়েক শেংদ্রে, ভোট তৌরগা লৈবাক খুন্নাই অমা মূথুৎপা য়াই হায়বসিসু খুদম ওইনা লৈখৎলকইবনি। ভোটতা কাঙলূপকী ৱা য়াওদে, কাঙলূপ অমা লাল্লি হায়রবদি কাঙলূপ খুদিং লাল্লিবনি হায়বসিসু খঙবা তাবনি। কাঙলূপকী ৱা থাদোক্লফম থোকই।

কনানা লৈবাক মচা তাবা মিৎয়েংদা ভোট অসিবু উবা ঙল্লিবগে? অওনবা হায়বসি লৈমায় মুন্নরগা পুরকপা ঙমদবসু য়াই। মীওইবগী ৱাখল লৌশিংদা পুরকপা অওনবা অদুতনা মতম চূপ্পগী ওইবা য়াগনি খল্লি। ৱাখলদা চুম্না য়াওদ্রবা ৱাফম অমনা থবক ওইনা থোক্লক্কি হায়বা থাজবা ঙম্নদে। ●

# অওনবা অহোংবা - ৪

মতুংদা লাক্কদৌবা এসেমল্লিগী মীখলদা মণিপুরদা অওনবা অহোংবা অমদি শোয়দনা লাক্লগনি। মমাঙদা অমুক্তসু থেংনখিদ্রবা অৱাবা চৈথেংসি মতুংদা অমুক থোক্তবা ওইসনু। করিগুম্বা মতম অমদা মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী লান্দা লাক্লবসু নৎত্রগা অতোপ্পা লান্দা অমা লাক্লবসু শামু পাঙ্গল কনবা, নোংশাগুম্না থৌনবা চহীগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎসিদা নিঙোল ওইবীশিংনা মবুং-মৌপ্পাশিংদা চাক চদুম, খুতুম চেৎনা পায়শিনবা ১.১.১ অহুমদং ইনবিরসি।

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চথরক্লিবা কুকিগী লান্দাসিসু নীংশিংবা ওইনা কাউদনবা, তুংদা লাকপা লান্দা কয়াসু থেংনবা ঙম্নবা চেকশিন্না লৈনবা মীতৈশিংগী অওনবা অহোংবা অমা থল্লসি খন্না পুখৎচবনি মীয়ামদা।

মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরিবা মিনিষ্টর অনী য়াওনা কুকিগী এম এল এ ১০গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌবীয়ু হায়না মীতৈগী মমা ওইবীশিংনা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৪দগী মণিপুর এসেমল্লিগী মীফমদা ৱারেপ লৌবীনবা চঙশিনখিবা খোঙজং অরেম্বা তাখি। মসিমক্তি কুকিগী মমা ওইবীশিংনা খূবাক খূরগা নোক্লমগনি। মণিপুরদা অৱাবা অমা মায়োক্লরিঙৈ তাঞ্জাদা তাং ৮/৩/২৪ ইং নুমিৎ অসিদা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ লাক্লে। নুমিৎসিদি মণিপুরগী ওইনদি নুপীশিংগী হরাও নুংঙাইফম লৈত্রে।

অসুক ৱারবা মতমসিদা মচানুপীগী লুহোংবদা অউনপোৎ য়াম্না পীবা ঙম্মী হায়দনা য়ুট্যুব চেনেলদা থাগৎলক্লি। য়ুট্যুবতা থাগৎলমদাইদা খুল ঙাক্লিবা মফম অমদা হান্না চৎপীয়ু। মফম অদুদা খুল ঙাক্লিবশিংদু হরাও নুংঙাইনা লৈব্রা য়েংবীয়ু। থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা কুকিগী লান্দা থেংনরিবা ইচাশিংদুদা হুমাং তৈথোক্লবা রুমান মচা অমতংগা লুপা অমা পীবা মিথাই অমগা দান তৌবীরম্মু। অদুগা অদোমগী ইচানুপীদুগী অউনপোৎশিংদু য়ুট্যুব চেনেলদা থাগৎপীয়ু। ইচাদুগী পূন্সিনা লৈরিবমখৈ কাউররোই।

লাক্লে অমমুক লোক সভাগী এম পি ইলেক্সন - মীয়াম্না হায়রি কুকি, মীতৈগী লান হান্না লোইশিনখো অদুগা এম পি ইলেক্সন তৌসি। লান লোইদনা ভোট খোম্বা লাকপদা ৱারক্কনি। মণিপুর লৈঙাক্কী সী এমগীদি হায়খ্রে নোংমা, মণিপুরদগী বি জে পিগী এম পি অনী থাগৎতবা য়াদে। ১২শুবা এসেমল্লি মীফম লোইখিবা তাং ৫/৩/২০২৪গী অহিংদা কৌত্রুক মনিংদা লৈবা চীংথক্তগী কুকিশিংনা নোংমৈ-বোম্না লান্দারকখি।

নুমিদাং পুং ১০.৩০দা মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা গেলমোন কুকি খুলদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা ত্রোংলাওবী তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি। পুং ২.৩০ রোম তাবদনা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা সিমোন কুকিনা মীতৈ খুলদা লান্দাখি। তাং ৬/৩/২০২৪গী অয়ূক পুং ১১ রোম তাবা অদুৱাইদা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা তাইরেনপোকপী অমদি ফয়েংনা কোনবা মফম মরিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নারোন্দা চঙলক্লগা লাম্নৈ থাবগী থৌদোক লৈখি, মীতৈগী য়ুমশিং মৈদুনা চাক্লবা। মসিনি কুকিশিংগী অওনবা অহোংবা লান্দা।

তাং ৭/৩/২০২৪ দা মোরে কম্মান্দো কমপ্লেক্স শেমজিন্নবা লৈঙোই পুরুবা মীওই অনীবু কুকিশিংনা শিনীংচিত্তা ফূরক্লে। মীতৈ কম্মান্দোশিংদা চান থক্লবা, পোৎ চৈ অমত্তা পীবা য়ারোই হায়বা অথিংবা লৈবনি খঙদ্রা হায়দুনা ফূরকপনি। লোয়ননা মীতৈ মীয়াম ঐখোয়সে মোরেরোমদগী য়োংচাকশিংসু চাদবা শুকয়ামক য়াদব্রা, য়োংচাক্তা নত্তে, হৱাইনচিংবা মখল কয়াসুনি। পোৎলমশিংসি চারগনা লায়না-তীলনা কোক্কদ্রা, চাদ্রগনা লায়না নাগদ্রা, কুকিশিংনা মখোয়গী থৌওংসি হোংদ্রিফাওবা ঐখোয় চাগুমসি, শিদি শিরোইদা! ●

**- য়েংখোম মোধুচন্দ্র**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১) **"চাণক্য নীতি"** (২০১৩) হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **"মালেম অতিয়া"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **"শাউনরগা মখোয় মশেল<br>মীচঙ খোল্লদুনা নাকপাক নাকপাক<br>লেপ্লে শীংনদুনা<br>লান তৌনৈ<br>খম থেংনা নুংশিনদে।"**

শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"থৱাইগী মনি সনামতুম"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **"অনীশুবা লাঞ্জাওগী বোম"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।